ꯍꯨꯢꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

ꯁꯒꯣꯜꯁꯦꯟ, ꯃꯥꯔꯆ ꯲꯲, ꯲꯰꯱꯸, ꯏꯝꯐꯥꯜ

꯴꯱ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯳꯴꯸ ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ

হুইয়েন লানপাউ

শগোলশেন, মার্চ২২, ২০১৮, ইম্ফাল

৪১ শুবা চহী, ৩৪৮শুবা মশীং

# শিবগী চৈরাক পীনবা বিল

## *মণিপুরদসু বিল অসিমক পাস তৌফম থোকই*

**থৱায়** পানবশিংগী মরক্তা মীওইবনা অথোইবনি হায়বসিদা থোইদোক্না য়েৎননীংঙাই ওইদ্রে। ফনা শিংলে হায়রিবা শাশিং অমসুং নীংথিনা তাকপী-তম্বীবদগী মীরোল খঙলবা, মপূগী য়াথং নীংথিনা ঙাকপা ঙম্লবা অশিংবা মখলগী হূইশিং ফাওবা মীওইবগা মান্ননা ৱাখল খনবা ঙমদে। অদুবু থৱায় পানবশিংগী মরক্তা অথোইবনি হায়নরিবা মীওইবনা করিগুম্বা মতমদা উমংদা লৈবা লমলক্কী শাগী লীচৎ চৎলকপা য়াওদবা নত্তে। অফ-ফত্ত খন্থবা ঙমদবগী মওংদা নুপী ফম্লানবা অমসুং তাবদা তুজুংলবা ক্রাইম কয়া নুপীগী মায়োক্তা হেক-হেক চথ্নবা থেংনৈ। অমুক্কা হেন্না নুংনাংবা পোক্লিংঙাই ওইরিবা ৱাফমদি মশাগী চহী ৬০ হেল্লবা মীওইশিংনফাওবা মশুগুল্লবী তাইবঙগী অৱা-নুংঙাই মশক খঙজদ্রিবী চহী নৌরিবী নুপামচাশিংদা মীৎয়েং কারন তারকপগী থম্মোয় শোক্লিংঙাই ওইবা থৌদোক কয়া থোরক্লিবা অসিনি। মীওইবা অমগী পুন্সিদা খ্বাইদগী মরু ওইরিবসি ইকায়খুম্নবা হায়বা গুণ অদুনি হায়বা য়াই। তুংগী য়ূম্বীনি হায়নরিবা চহী নৌরিবী অঙাং কয়া পুন্সিগী অঙনবা শরুক্তা ইকায়খুম্নবা মাঙহনবীখ্রবদি তুংগী পুন্সিদা করি ওইরক্কদগে হায়বা খন্থনিংঙাই ওই। হিংলি হায়বতা মঙাইরবা পুন্সি মহিং অমদা পুন্সি চূপ্পা ইকায়-ফিরুক খুমদুনা হিংগদবা পুন্সি মহিং অদুদি হিংলুবগী কান্নদ্রে খল্লকপা মশানা তাবনি। শেল য়াম্না ফংবা-ফংদবগী ৱাফম্না তোঙান্না থমখ্রগা মীওইবনা শূরিবা, নোম্লিবা হোৎনরিবা পূম্নমক ইকায়খুম্নবা মীশক অমমম ওইদুনা খুন্নাইদা ফিদা অমা ফংনবগীদমক্কি হায়বা য়াই।

মীওইবগী পুন্সিদা য়াম্না মরু ওইনা লৌনরিবা ইকায়খুম্নবা মাঙহনবগী থৌওং কয়া চহী নৌরিবী নুপীমচাশিংদা তোয়না চথুরকপদগী হরিয়ানা, মধ্য প্রদেশ অমসুং চান্দিগরদা চাইল্ড রেপিষ্টশিং শিবগী চৈরাক পীনবা বিল পাস তৌখ্রে। হৌখিবা মার্চ ১৫দা চহী নৌরিবী (চহী ১২ শুদ্রিবী) নুপীমচাশিং রেপ তৌবদা চেন্নবা মীওই পূম্নমক শিবগী চৈরাক পীনবা নৎত্রগা পুন্সি চূপ্পা জেলদা থম্নবা বিল হরিয়ানা ষ্টেট এসেমব্লিদা মত অমত্তা ওইনা পাস তৌখিবনি। রেপ কেস পূম্নমক অতেনবা মতমগী মনুংদা ৱায়েল চথুরগা মরাল লৈবা মীওইশিং মতিক চাবা চৈরাক পীবা ঙম্নবগীদমক ফাষ্ট ট্রেক কোর্টশিং লিংখৎলগনি হায়নসু হরিয়ানাগী চীফ মিনিষ্টর মনোহর লাল খটারনা লাউথোকখি। মহাক্না হায়খি, লোগী মখাদা অসিগুম্বা মখলগী কেসশিং হৈ-শিংনা পায়খৎলবসু রেপ কেসতা চেন্নবা মীওই পূম্নমক হেন্না কনবা চৈরাক পীনবা থৌরাং লৌখৎলগনি। নুপী ফম্লানবগী থৌদোকশিং অচুম অরান খঙদনা হেঞ্জিনবা মওংদা পাউ ফোঙবীদনবসু চীফ মিনিষ্টরনা মিদিয়াদা অপিল তৌখি। মহাক্না হায়খিবদা মমাঙ চহীদা তোঙান তোঙানবা পুলিস ষ্টেসনশিংদা ফাইল তৌরকখিবা রেপকী কমপ্লেন্ট চাদা ২৫ শেমজিন-শাজিনবা ওইরমখি হায়রি। রেপ কেস চাদা ৭৫দা নক্লবা মরী-মতা অমসুং খঙন-চান্নবা মীওইশিং চেন্নরম্বা মরম্না হীরম অসিগী মতাংদা মীপূম খুদিংমক ৱাখল তামিন্নবা য়ানবা থৌরাং লৌখৎপা মথৌ তারে। হৌখিবা মার্চ ৯দা রাজস্থান লেজিসলেটিভ এসেমব্লিনা চহী ১২গী মখাদা লৈবী নুপীমচাশিং ফম্লানবদা চেন্নবা মীওই পূম্নমক শিবগী চৈরাক পীনবা বিল পাস তৌখি। মমাঙ চহীগী দিসেম্বর ৪দনা লৈবাক অসিদা অহানবা ওইনা মধ্য প্রদেশতা বিল অসি পাস তৌখি। য়ুনাইটেদ নেসন্সনা কুমজা ২০০৭, ২০০৮, ২০১০, ২০১২ অমসুং ২০১৪দা নন-বাইন্দিং রিজোল্যুসন লৌদুনা মালেমদা শিবগী চৈরাক পীবগী চৎনবী মুথৎনবা থৌরাং লৌখৎপা হৌখ্রবসু চাইনা, ইন্দিয়া, য়ুনাইটেদ ষ্টেটস, ইন্দোনেসিয়া, পাকিস্থান, বাংলাদেশ, জপান অমসুং শ্রী লঙ্কাগুম্বা লৈবাকশিংদা চৎনবী অসি লৈরি। মালেমগী তোঙান তোঙানবা লৈবাক ১০৩দদি চৎনবী অসি মপূং ফানা মুথৎখ্রে। মতৌ অসুম্না য়েৎনবা ৱাফম কয়া লৈরবসু তমথিবা ক্রাইম থিংনবগী অমত্তা ঙায়রবা পাম্বৈদি শিবগী চৈরাক পীবনি হায়না লৌফম থোকই। মার্চ ১৬তা অরুনাচল প্রদেশ লেজিসলেটিভ এসেমব্লিনা ক্রিমিনেল লোজ (অরুনাচল প্রদেশ) এমেন্দমেন্ট বিল ২০১৮ পাস তৌদুনা মশাগী চহী ১২ শুদ্রিবী নুপীমচা ফম্লানবদা চেন্নবা মীওইশিং শিবগী চৈরাক পীনবা থৌরাং লৌখৎখি।

### ••• এডিটরদা থারকপা চিঠি •••

## আইনবু ইকায়খুম্নসি, আইন ঙাক্না চৎসি

*ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,*

**ইম্ফাল ৱেষ্টকী** মনুং চনবা লিলোং চজিংদা এস দি সী ওফিস অমা মার্চ ১৪, ২০১৮দা শঙ্গাবগী থৌরমদুদা অথোইবা মীথুং ওইখিবা মিনিষ্টর করাম শ্যাম্না হায়খিবদা, খুন্নাই অসিবু অফবা খুন্নাই অমা ওইহন্নবা পান্দমদা লমদম অসিদা লৈরিবা মীপূম খুদিংমক্না আইনবু ইকায়খুম্নসি, আইন ঙাক্না চৎসি হায়খি। ঙসিগী বিল্ডিং অসি মহাক্না রেভিন্যু মিনিষ্টর ওইবা মতম অসিদা লোইশিন্দুনা শঙ্গাবা অসিদা মহাক য়াম্না নুংঙাইবা ফাওই হায়নসু মহাক্না মখা তাখি। ঙসিগী রেভিন্যু দিপার্টমেন্ট অসিগী ষ্টাফশিংনা পুকচেল শেংনা, কাঙলোন চুম্না থবক তৌরগদি লমগা মরী লৈনবা ৱাথোকশিং থোকপগী চাংসু হন্থহনবা ঙমগনি। অমরোমদা ষ্টাফশিং অসিগী ৱাখল্লোনসু চুমথোক্তুনা হেন্না ফবা, মীয়ামগা নকশিন্ননা থবক তৌবা ঙম্নবা হোৎনরি হায়নসু ফোঙদোকখি। অমরোমদা লৌ উনরিবা লৌবুক কয়াদা য়ূম শাজিন্নদুনা অমদি অতৈ শঙ কয়া শাজিল্লক্লিবা কয়া এস দি সী, এস দি ওশিংদা য়েংশিলহল্লগা মায়কৈ কয়াদা এক্সন লৌবা ঙম্লগনি। লিলোংদগী সমুরৌ ফাওবদা শাজিল্লিবা কয়াসু য়েংশিন্নবা খঙহনখ্রে। ষ্টেট অসিদা লৈরিবা মীপূম খুদিংমক্না মানা-মানা পাম্নবা মওংদা থবক তৌনবগী মহুৎ লৈবাক্কী লৈরিবা আইন ঙাক্না অমদি ষ্টেটকী ইন্টরেষ্টতা থবক তৌবা ফৈ। মসিনা খুন্নাই অসিদা চাওখৎপা অমদি নুংশি চান্নবা ফীভম থম্বা ঙমগনি হায়নসু ফোঙদোকখি। তশেংনমকসু মিনিষ্টর শ্যাম্না হায়রিবা আইনবু ইকায় খুম্নসি, আইন ঙাক্না চৎসি হায়বসি য়াম্না ৱাহন্থোক লৈবা ৱাফমনি। লোয়নননা ঙসিগী খুন্নাই অসিদা মসি য়াম্না মথৌ তারি। মরম অসিনা হীরম খুদিংমক্তা আইনবু ইকায়খুম্নবা অমদি আইন ঙাক্না চৎপা হায়বসি লৈবাক অসিবু চাওখৎহন্ননবা অমদি শান্তি ওইনা লৈহন্নবা লম্বীদি শোয়দনা ওইফম থোকপ্রা হায়বসি মীয়ামগী থাজবা অমদি ওইফম থোকই। হীরম অসিগী মতাংদা মীয়াম্না মশা মশাগী ৱাখল মুন্না খন্থমিন্নবা মথৌ তাই।

*অদোমগী - ফুরাইলাৎপম রেবতি শর্ম্মা*

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৬৮

১। শজিবুগী নোংমা পানবদা চৈরাওবা থায়নদগী চৎনরকপা অমনি।
(ক) করম্বা নিংথৌ হাক্তক্তগী চৈরাওবসি হৌখিবগে?
(খ) ইহান হানবা চৈথাবা মীশক্তুগী মমিং হায়য়ু।

২। "মীতম্বাক্তা চাউরবা/মীরোন্নিদা তাংলবা/পলেম পন্থৌ খঙদবা/নচানিদা তোল্লবা।" পরেংশিংসি 'বসন্ত শৈরেং' কৌবা শৈরেং লাইরিক অমদগী লৌথোকপনি। কবিদুগী মমিং হায়য়ু।

৩। "চৈরক্তুদা উরকই ঐগী লোয়নবী/মাগা অহানবা উনখিবা/থম্মোয় অমতা ওইখিবা/লুহোংবা নুমিৎকী তেল্লবা অহিং।" পরেংশিং অসিনা কবি সৌবাম তোম্বা লুৱাংনা ইবা শৈরেং অমদগী লৌথোকপনি। শৈরেংদুগী মমিং হায়য়ু।

৪। নুপীনা ইবা ৱারীমচাগী ইহান হানবা লাইরিক অমা কুমজা ১৯৫৮দা থোক্লকই। লাইরিক্তুগী মমিং করি কৌই?

৫। বি জয়ন্তকুমার শর্ম্মানা ইবা দ্রামা 'থম্বালনু' কৌবদু হিন্দিদা হন্দোকখ্রে। হন্দোক্লোয়দুগী মমিং হায়য়ু।

**মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম মার্চ ৩০, ইরাই নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল hueiyenliteraryquiz@gmail.com সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।**

# হুরানববু য়োকখৎলবদি মহাক্তুসু হুরানবনি

**সোইবমচা ইন্দ্রকুমার**

**'হুরানবগী তরানি মপূগী নোংমা'** হায়বা ৱাহায় অসি ঐখোয়না অঙাং পিশক ওইরিঙৈদগী তাদুনা লাকই। করি হায়রিবনো হায়বগী শন্দোক-ৱারোল শুগায়না অমুক তাক্ত্রবসু তাবদা অদু লায়না খঙনরবা ৱাহায়নি- হুরানবনা তরারক হুরানখ্রবা মতুংদা মপূনা নোংমা ফারক্কনি হায়বনি, ইচম চম্বা এক্সপ্লেনেসন'দা। অদুবু মাঙজরিবদি মপূদু মথন্তনি। হুরানবা অমা ফারগা মানা হুখ্রিবা হুরানপোৎশিংদু মপূনা কৈদৌনুংদসু তেক্তা কায়দনা ফংবগী পাউ অদুম কৈদৌনুংদা তাররোইদবনি। হুরানবগা মরী লৈনবা অতোপ্পা ৱাহায় অমগা লৈ - 'হুরানবা হায়বসিনা মতম চূপ্পদা মপূদগী খোঙকাপ অমা হান্না থাংলগা চৎলি'। হায়বদি, হুরানবা হায়বা শিনফম অসি পায়রিবা মীশকশিং অদু থোইদোক হেন্দোক্না হৈ-শিংই হায়বনি। অকোনবগী ৱাহায়সি খুদম চাংদমগা লোয়ননা ঐঙোন্দা নীংশিংহল্লম্বা নুপাদু 'ইন্দিয়ন ওইল কম্পনি' (আই ও সী) গী থাওগী এজেন্ট অমনি। মাগী থাও টেঙ্কি গাড়ী অদুদা, অসামদা লৈবা রিফাইনরিদগী ছো লোন্দুনা (সিল নমদুনা) থাও হাল্লগা থারকপদু ইম্ফাল য়ৌরকপদা লিটর চাম্মা-চনী ত্রিপ খুদিংগী ৱাৎলকপদুদা হংলুবজাৎনি 'অসুক য়াম্বা থাও মাঙলিবসি কমদৌননো'? মনিল ওইনা চৎখিবা খরা, লম্বীগী অকুৎ-অতোঙদা নীকপদা মাঙহৌবা খরা - মহৌশানি খুল্লকখিবা জাৎনি। পুকচেল শেংদবা পাউখুমনি, করম্না হুরাল্লিবনো - অমুক্তদি ফারগে খন্দুনা, অদুগুম্বা থাও লৌবা চৎপা খোঙচৎ অমদা মাসু য়াওনা চৎলুই হায়। মপূ মশাগী মীৎয়েংখাদা থবক পূম্নমক তৌরক্লবা, হনবই খোঙচত্তসু লোয়নরক্লবনা, মরক্কী থাও য়োনফম দুকানশিংদা হুরানপোৎ ওইনা থারম্নবা তাঞ্জা ফংদরে, নীকথোকখিবই খুদম চাংদমসু উদরে। মনিল ওইনা লিটর চনীদি চৎলোইদনা! ঙসিদি হুরানবা ফারনি মোন্দা নুংঙাইনা হল্লকখি হায়। মাও-মরাম-তাদুবিনচিংবা হেন্দোরকপগী অহাংবা চীং লম্বী অদুদা মরক মরক মপান ইপান থোকপগী খাল্লিঙৈ, চীংথক্তগী ময়ায় ওইরপ চাউবা নূং অমা চীংথক্তগী গাড়ী মথক্তা তাশিন্দুনা অহৌবা খোঞ্জেল অমা তাখিবদুনা তা ইবোচৌগী তূম্বা থুগাইখি হায়। থোইদোকপা অপনবা য়াওদনা য়ূম য়ৌরক্লদুনা, অচৌবা টেঙ্কি অদুদা গাড়ীগী থাওদু খাইজিল্লুবদা হান্নগুম হামু-হামু লিটর চনী ৱাৎনা ফংবদুদা ঙকপনা খম থেংখি হায়। করম্না অপঙ-তারিবা? মদুতদি ফারগে খন্দুনা, দ্রাইভরদুদা গাড়ীদু ময়ূমদা পুহন্দনা, অহিং চূপ্পা কদায়দা করি য়ুফম লৈবগে থিজিন্দুনা য়েংবদসু ফংখিদে। দ্রাইভর অমগী করম্বা লৌশিংনা মাবু নমথাক তৌরিবনো হায়বা ৱাখলদুনা তূম্বা য়াহন্দ্রবা অহিংদুগী নোংঙাল্লকপদা নীংশিংলকখি হায়- অহাংবা চীংলক্তুদা অমখক্তং অখন্ননা মাগী গাড়ীদা তারকখিবা নূংজাউদুগী মখোল। কূপ্পা য়েংশিল্লুবদা থেংনরকখি - থন্না য়াওরিবা গাড়ী টেঙ্কি অদুগী লিটর চনীমুক্কী হন্থবা দাগ মপাদুদা অচৌবা য়োৎপী মখুল অমা। লৌশিংদুম পীরল্লগা দ্রাইভর অদু তাইবোচৌদগী লাপথোকখি। কয়ারক হন্না কৌরবসু লাকখিদ্রে হায়।

ৱারেং অসি পাবিরিবা কনাগুম্বা অমনা শোয়দনা ঙকচানগনি - হুরানবা হায়বা সবজেক্ট অসিদা ৱারেং অসি করিগী ইগে খল্লুরিবনো? হুরানবা ঙাক্তা ঙায়রবা হুরানবগী লৈপাকসিদা হুরানবা হায়বা থবকসিবু কনানা পাপনি খন্নরিবগে? হুরানবা হৈতবা মীদুদি ঙসিগী খুন্নাই অসিদা হিংফম লৈত্রবা মীওইবনি। হুরানবা মচা মচাদু হুরানবা অচৌবনা ফারগা চৈরাক পীবা লমদমনি। অদুক্কী মতিক চাউনা হুরানবা হৈবদুনি - লৈপাক্না ইকায়খুম্নরিবা। ৱাহৈসিতনা খঙনসি, কনাগুম্বা অমত্তগী মমিং মথা হংবীরক্কনু। ঐতনা খঙবা নত্তে। নঙসু খঙই, মাসু খঙই, মখোয় লোইনা খঙবনি। খ্বাইদই চাউবা হুরানবদুদি লোন্না থুপ্পা হুদবনি। মীয়াম মাঙদা ইফোং ফোংনা অয়ূক নুংথিলদা হুবনি। হুরানবদুদা মপূনা মপোৎ শিন্নবনি। হুরানবদু কনানো? পাউখোং ওইনা থল্লগে?

ঙসি ঐনা ঐগী পীক্ল' কোল্লমসিদা ফোংনা হুবা হুরানবগী মরমদা ইনিংলক্লিবসিগী মরম অমা লৈ। চয়োল খরই মমাঙদা অমুক্কসু ইজখ্রে- পঞ্জাব নেসনল বেঙ্কতগী নিরব মোদি কৌবা সনা ললোনবা অমনা, খঙলে শিংলে খঞ্জরিবা রিজার্ব বেঙ্ককী ওফিসল ফাওবা নমথাক তৌদুনা লুপা ক্রোর ১১,৪০০গী য়াল্লবা শেনফম লৌথোকখিবগী, ফোংনা হুরানখিবগী ৱাথোক্তুগী মতাংদা। লৈঙাক্না কন্ট্রোল তৌবা নেসনেলাইজ বেঙ্কশিংদা থোকখিবা অসিগুম্বা ৱাথোক, মমাঙদা কয়ারক থোকখ্রে। গভর্ণমেন্টকী মীহুৎশিংনা মকোক ওইবা বেঙ্কশিংদতা অসিগুম্বা নমথাক-মীনম-শোরিগী থবকশিংসি থোক্লগা অনৌবা মীরোলগী 'ন্যু জেনেরেসন প্রাইভেট বেঙ্ক' শিংদা থোক্ত্রিবসিদা পাউখোং ওইরগা, হুরানবা বিজিনেসমেনশিংনা 'নেসেনেলাইজ বেঙ্কশিং প্রাইবেটাইজ তৌ' হায়বা দিমান্দ তৌরক্লিবা - অতাবা কনানদি অচুম্বা ওইরবোই নীংবনি। 'মোদি' হায়বা টাইটল অসি পকপা লল্লোনবা অমা চেন্নবা ৱাথোক ওইবনা, পি এন বিগী ৱাথোক অসি, ঙসি পার্লিয়ামেন্ট য়ৌরকপনি।

বেঙ্কতা থোকপা ফ্রাউদ নত্তবা, হেন্না লুবা (সিরিয়স ওইবা) ৱাফমদি 'এন পি এ' (নন পার্ফোমিং এসেটস) হায়বা, লোন ওইনা লৌখ্রবা শিংবা ঙম্না-ঙম্না শিংউ য়াদ্রবা য়াল্লবা শেনফম অসিনি। ইস্যু অসি ইহান হানবা ওইনা 'ওল ইন্দিয়া বেঙ্ক এমপ্লোয়িজ এসোসিএসন'না কুমজা ২০০১দা পুথোক্লকখি। লৈপাক্কী চাওখৎ থৌরাংদা শীজিন্নগদবা মীয়ামগী অশেংবা লন, ইনাকখুনবশিংগী লুট তৌফম ওন্থোক্নু (পিপলস মনি ফোর পিপলস ৱেলফেয়র, নোট ফোর কোর্পোরেট লুট) হায়বা খোল্লাউ অসি শেল্লকখি। মতমদুদা, অসিগুম্বা শিংদ্রবা লোনগী শেনফম লুপা ক্রোর লাক্ষ অমা ওইরম্মী। কনাদা কয়া তোনবনো? মমিং মথা ফোঙদোকউ হায়বদা রিজার্ব বেঙ্ক'না য়াখিদে। এ আই বি ঈ এ'না ফোঙদোক্লুবগী এসোসিএসনগী সেক্রেটরিবু জেলদা থমজিন্নবা য়াথং তৌবা ঙম্বা মতমদুগী লৈঙাকনি। থৌশিল অদু ঙসি ফাওবা হোংদরি। অসিগুম্বা শেনফমসি খোমগৎলু, লোন তোনবা মীওইশিং ক্রিমিনেলনি লাউথোকউ, শিংদবা লোন শিংহন্নবা অকনবা আইন শেমউ ... হায়বনচিংবা দিমান্দসি বেঙ্ক এমপ্লোয়ীশিংগী দিমান্দনি। পব্লিক লীদর, পোলিটিসিয়নশিংনা খ্বাইদই তানীংদবা, য়েম্মৌনবা দিমান্দনি। বেঙ্ক এমপ্লোয়ীশিংনা খোমজিনবা রেকোর্দকী মতুং ইন্না অসিগুম্বা এন পি এগী শেনফম লুপা ক্রোর লাক্ষ তরামঙাদগী তরেৎ ফাওবা ওইগনি হায়বসিনি।

অদুবু, নিরভ মোদিগী ৱাথোক্তগী পার্লিয়ামেন্ট য়ৌরবা ইস্যু অমা ওইরকপদগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি'না পার্লিয়ামেন্ট'তা হায়রক্লে ... 'ইন্দিয়ন বেঙ্কশিংদা তেল্লিবা, শেঞ্জাউ পায়বশিংগী শিংউয়াদ্রবা লোনগী শেনফম লুপা ক্রোর লাক্ষ য়াংখৈনিথোইনি, পূম্নমক কোংগ্রেস লৈঙাক মতমদা মখোয় মখোয়গী নক্লবা-চান্নবা-ইন্দষ্ট্রিয়েলিষ্ট/বিজিনেসমেনশিংদা পীরম্বা ... বি জে পি লৈঙাক লাক্লবা মতুংদা পীবা কোর্পোরেট লোন অমত্তা এন পি এ ওইদ্রি'... অসিনচিংবা। বেঙ্ক এমপ্লোয়ীশিংনা ক্লেম তৌরিবা শেনফমদুদগী শরুক অনী হেনবা শেনফম, হুরানবশিংগী খূত্তা তাখ্রে খঙলবদি মহাক হৌজিক কৈদৌরি? হুরানববু হুরানবনি খঙনা য়োকখৎলবদি, য়োকখৎলিবা মহাক্তুসু হুরানবগা চপ মান্নবা মরাল লৈ। চুম্বরা?

# থাবলসে খাম্বা য়ারোইদৌরি

**সোরোক নোরেন**

**থাবলগী** ফজবনা পোত্থাহন্দ্রিবা থম্মোয়সে ঙসিসু ঙাওরি অহিংনা থেংলক-থেংলক্লগা। পীক্লবা থোঙনাওদগী তাম্না য়েংথোকখিবদা মায়কৈ খঙদনা পাকখ্রবা অতিয়াগী লক্ষ্মাংদুদা থাবলগী ফজববু উরুবদা তুমিন্না লৈরমগদবা কনাবু য়াওবগে। পীক্লবা মীহুৎথোঙদগী য়েংবদা পেল্লক্ত্রুদুনা মপান্দা থোক্লকপদা অমুক্কা হেন্না ফজরম্বা থাবলগী মশক্তুদি করি হায়না পাউদম্লুনি। অহিংনা থেংলক-থেংলক্লগা থাবলগী ফজবা মুৎনাইদনা লৈহৌরগনি। অদুবু লোইবা নাইদুনা হনখিগদৌরিবদি তাইবঙ খোঙচৎতা য়াওরুবা মীওইবা ঐখোয়গী পুন্সিনি। ঙসিসু মাঙদ্রি থাবলগী ফজবা। মতমদুদা য়েংলম্বা থাবলগী ফজবদো ঙসিনা করিগুম্বা খরদি মেংথরকপগুম তৌরিবসিদি লেপ্তুনা চৎলিবা পুন্সি খোঙচৎনা সন্ধ্যা ওইরকপনা ওইরমাল্লে। অদুবু থাবল নঙদি লৈহৌখোকো, চক কয়া কয়াদা থাবলগী নুংশিবা ৱারীনা মীরোল কয়াবু অঙৈংবা অতপ্পা নুংশিবা পাউজেল য়েনবীদুনা খরা তপ্পা সংসার অমা শেম্বদা শরুক য়াবিরকউ। ঐখোয়দি তাইবঙ মীওইবনি, লোইবা নাইবা মীওইবগী পুন্সিনা থাবলগী মতুং ইনবদি ইতিক নত্তে। অদুবু অরোইবা পুন্সিগী মীকুপ্তুফাওবদি মমি ওইনা ময়েক শেংবা ঙমদ্রবসু পেন্না য়েংজগেকো।

ঙসি ঐনা তমজগে খল্লিবা থাবলগী মপাউসিদি অথেংবা অহিংগী অচিকপদা মকা লাম্না থোক্লিবা থাবলগী মপাউদু নত্তে। অপীকপা অচৌবগী খেন্নবা লৈতনা খূৎশেমগী মৈঙাল মরক্তা ধোলগী তান্থাদা চোঙলিবা লম্পাক্কী থাবলগী মপাউনি। লম্পাক্কী থাবলগী মপাউ মসিমদি হেক্তা পেন্না তমনীংলে। খঙদে করিগীনো লম্পাক্কী থাবলদা ঐনা অসুক ঙাওরিবসিনা। থাবলনিবু হায়রদি থম্মোয়সে হেক্তা লৈতাফম খঙদে। ওন্থোক্লসু ফজখ্রে লম্পাক্কী থাবলসে। তম্বগী পেনবা শুংনাই নাইরোই খল্লি। কাঞ্চিগী লৈকোন, শিল্লোংগী ৱার্দস লেক, দার্জলিংগী নুমিৎ থোকপা, কৈন্যাকুমারিদা নুমিৎ তাবা, কৈবুলগী সঙাই, লম্পাক্কী থাবলনা করিসু তাবা নত্তে। মীয়াম্না মশক মুন্না খঙদবননি ঐখোয়গী লম্পাক্কী থাবল। হৌজিক্তি মালেমসিগী মফম খুদিংমক্তা তাম্না শন্দোক্তুনা খুন্দাখ্রবা ঐগী ইরৈচা খুদিংমক্না শন্দোক্লি ঐখোয়গী পুৱারীদগী চৎনরক্লবা ঔগ্রী হঙ্গেন চোঙবা লম্পাক্কী থাবল। মুৎনাইদনা লৈহৌরগদবা শক্তমসে খাঙুথক্তা মাঙদনবা হোৎনহৌবা অমদি চঙলিমাল্লে খল্লি। মৈহৌরোন্দগী চৎনবী অমা ওইনা মীকোন থাগোনবগী তঙাইফন্দবগী থৌরম অদু হাপ্তবা য়াদে হায়দুনা হাপ্পা তারগনা অখণ্ড অহৈ পণ্ডিট লোইশঙগী থৌবুরেল কয়াগা তানরগা হাপ্পা তাই। তশেংনা পুৱারীগী লিক্লম অদু কায়দনা থমসি হায়রবসু লোইনমক্না য়াগনি নীংই। থাবলগী মশক ফজহনসি হায়বসিদা চৎনবী অমা থম্বগী তঙাইফন্দবসু খন্নবা য়াই। অদুবু ঙসিগী মীরোলনা চহীগী তাঙ্কক খায়দনা পাম্নরিবা লম্পাক্কী থাবলগী মহাউদি খরা তোঙানবগুম তৌরি। থাবল হায়রগা ঙসি থৱায় য়াওনা পাঙথোক্নরিবা থাবল অসিদি য়াওশঙ থাবলসিনি হায়বা য়াই।

অদুবু হৌদোরকপদদি য়াওশঙ থাবলনিদি হায় অদুগা লেপ্তুনা চথুরক্লিবা মতম অকক্নবা লৈরক্লোইদৌরিবা থাবলসি করম্বা কুম্মৈ অমগী থাবলনো হায়বদো মশক তাকপা ঙম্লোইদৌরি। অকনবা ইথক ঈরাংনি হায়দুনা য়াওশঙ, হোলিসু হায় লমতা থাগী পুর্ণিমা নুমিৎতগী হৌরিবা কুম্মৈসে খরা নাথৈনবা য়াওশঙ স্পোর্টস ওইনা হোৎনবা চহী ৩০গী মথক্তা হেল্লক্লে। অদুবু ঙসিসু মতমদুগী য়াওশঙ কুম্মৈগী অবের তৈনবা, পৈশা মুনবা অদু খরমখৈদি তোক্লবসু শেল মুনবা, থৌরি তিংদুনা শেল নীবা ইহন হন্থদে। থাবলগী নমাদা চপ চানা শেল খায়রি য়াওশঙ হৌগদবা নুমিৎ ১০নিমুক্কী মমাঙদা অচৌবা লম্বেলদা লৈশাবী চবুন-চবুন থোক্তুনা শেল নীরি য়াওশঙ থাবলগীদমক। অহেনবা মশক অমা হায়রগনা হোংলক্লিবা মায়ওন হায়ববু সরক্তা গাড়ী থৎলগা শেল নীরিবা লৈশাবীশিং য়ুনিফোর্ম ওইরকপসিনি। শেল নীরিবা কাঙবুশিং চপ মান্নবা ফনেক মচু অমদা শেৎতুনা ফজবা মশক অমদি ওইহল্লে। হোয় মসিসু অওনবা মতমগী চৎনবী মখল অমনি। অদুবু ঐখোয় ময়াম্না ইথক ইরাংনি হায়দুনা স্পোর্টসলোমদা নাথৈনবা হোৎনরিবা লম্বেল অদুদি থোইদোক্না অহোংবা করিসু লৈতে হায়বা য়াই। হৌজিকসু য়াওশঙ নুমিৎ মঙানি লেপ্তুনা পাঙথোক্লি। মমাঙঙৈদা চৎনরম্বা য়াওশঙ কুম্মৈদগী খজিক্তং নাথৈরল্লীবসি মীৎমাং পুমাং নাইদনা অবের তৈনবা অসিগী লীচৎ অসিখক্তংদি হোংলমাল্লে। অদু নত্তবা অতৈ চৎনবীদি করিসু অহোংবা লৈত্রি। হান্নদগী কা হেনবা মওং ওইনা উবা লীচৎ কয়ামরুমসু নৌনা শাফোংলকপদৌনা তৌবা মশান্না ময়াম অমা হেনগৎলকই হায়বা তাই। মৌ নহা অয়াম্বনা স্পোর্টসলোমদা মায় ওনশিল্লকই মসিবুদি থাগৎনীংঙাই ওই। অদুম্নদি ওইরগা আইটেম খুদিংমক্তা মৌশিং পার্টিসিপেন্ট মশীং হেনগৎলকপগী অকিবসু ফাওই। অদুবু মপূং হেক ওইরকপদা স্পোর্টস লোইবা নুমিৎতসু প্রাইজ য়েন্থোকপা হেক লোইবগা মৌগী থাবল চোঙহৌদবা য়াদবসি মঙাই। য়াওশঙ থাবল য়াম্না মরু ওইরক্লি হৌজিক। থাবল কম্পিটিসন ফাওবা তৌরক্লিবনি লম্পাক খরদদি।

অদুনা হৌজিক ঐখোয়না থেংনরিবা খুদোংচাবা হায়গদ্রা চাদবা হায়গদ্রা থাবলগী মতাং অসিনি। য়াওশঙ থাবলখক্তা ওইদ্রে। মীতৈ চৈরাউবদসু হেক ঙম্বমখৈ চোঙখ্রে। গৌড়গী চৈরাউবসু পেন্না চোঙনবা শেম শারি। তোকপা য়ারোই। য়াওশঙ থাবল নৎত্রবসু লম্পাক থাবল চোঙবা লেপ্পা য়াদে। য়াওশঙদদি ঔগ্রী হঙ্গেন হায়দুনা মীকোন থাগোন তৌসি হায়রি। চৈরাউবদদি করি লাইশোন্না মীকোনদৌরি। গৌড়গী চৈরাউবা থাবলদনা করি লাইশোন্না মীংশোন্নগনি। লৈশা, মৌ নহানা চোঙনীংবদি লেশোন ফুরিৎ লিৎলগা চোঙবা থাবল নত্তে। শারি ফিইন শেৎলগা পেনশিল শুনা খুনিং হেক লৈথেকপমখৈ চোঙবা থাবলদুনি পেন্না চোঙনীংলিবা। মতমসিদগী হেন্না চোঙবা য়ারোই হায়বা অথিংবা কয়াগী মরক্তা হায়জ চে অমনা মহুৎ শিল্লবদি হেক্তমক কোমথোকপা লম্পাক থাবল অসি লম্পাক মশীং থীবা ঙম্লক্ত্রে। লম্পাক্তগী হেন্দোক্তুনা অনানবা সরক কোয়লাস ফাওবা থৎলগা তৌদবা য়াদবা অমা ওইরক্লিবা হৌজিক্কী থাবলসে ঙসিদি পরিং অমা চুম্বা মথৌ তারক্লি। থাবল চোঙবগী নুপী মশীং, নহা মশীং খঙদনা হেনগৎলক্লি। থাবল মফম অমদা থাবল চোঙগদৌরিবা মীশিংনা য়াম্না হেনমনবনা শিল্লি-লাংলিবা মীওইশিংদা অচৌবা অৱাবা কয়া মায়োক্লবসু য়াওরি। নুপীরোমদা হায়রগা মৌনি, লৈশানি খঙবা ঙম্লক্ত্রে। য়ূমগী মীনসু চোঙগনু, থোক্কনু হায়দুনা থিংবগী মতিকসু হৌজিক্কান্দা লৈনদ্রবগুম উরে। মরু ওইনা লৈকায় থাবল অমদা লৈকায়দুদা লৈজরিবা লৈশাবী খরখক্না শিল্লগা অতোপ্পা পাখঙনা লাক্তুনা পায়রগা চোঙবা থাবল মখল অমা ওইরম্বনি। মদুগী মমৈ খোম্বনা লৈকায়দুগী অপীকপা অঙাংশিংনা মচেশিংগী তুং ইনবা ওইনা চোঙলম্বা থাবলদুদা অহল-লমনশিংনা কুম অমগীনি হায়দুনা য়েংলম্বদো হৌজিক্তি মদুমক ওইদ্রবরা খল্লে। লৈকায় লম্পাক থাবল অহুল্লক হনবা য়াওখি। অঙম অঙম্বা চাংদা পুথোক্লুদুনা অচঙবা শেনফম অহুল্লক খায়বদা লৈকায়গী শেন্মীৎলোনদা করিসু অহোংবা উখিদে। হন্দক্কী য়াওশঙদি য়াওশঙ থাবলনা ফাষ্ট তাখি। শুমাং লীলা ফাষ্ট তাবগী চেবাউ হন্দক্তি খঙহন হন্থখি। থাবলনা পূম্নমক শুপচিন্দুনা অফবা হরাউ তয়াম্বা য়াওশঙ অমা ওইখি। য়াওশঙ থাবল পেলহৌদদুনা মৈতৈ চৈরাউবা মমাঙ, চৈরাউবা নুমিৎ, চৈরাউবা মতুং নোংমা কোনবা থাবলনা ৱাই চায়খি। মরকসিদা গৌড়গী চৈরাউবনা খৌরাংনা ঙাইরিবা থাবল অমসু ওইরিবনি। লুরিবদি হন্দক থাবল চোঙবা মশীংগী চাংদা হেনগৎলক্লিবা চহী মতাংসিদি মীপাইদবা য়ারোই। চহী ১০/১১গী নুপামচাশিং হৌন-হৌনদুনা লৈকায় লান্না থাবল চোঙবগী চাং খঙহেন হেনগৎলকই। মসি অফবা লম্বী নত্তে। মমা-মপানা হল্লক্ত্রে হায়দুনা থিবখক্না য়ারোই। কা হেন্না মনীং তম্বগী চাং ৱাংখৎলকপা অসি ঐগী খুন্নাইগী অফবা মায়ওন ওইরোইদ্রা খল্লি।

থাবলনা থেংল-থেংলগা ফরকপগুম (পাখঙ লৈশা হায়ররোইকো) নুপা নুপীনা চোঙবা থাবলগী চাংসু অসুম অসুম হেনগৎলকপনা অচৌবা অহোংবা অমদি পুরক্কনি, পুসু পুরক্লি। চাওখৎলকপগী মতুং ইন্না সোসল মিদিয়া, ইন্টরনেটকী খুত্থাংদা কদায়দা করি তৌরি খঙবা মতম হায়বদু ওইরবনিনা অসুক্কী মতিক এদভান্স ওইরে। সেকেন্দ অমগী মতমসে মচেৎ কয়া থোক্না খায়দোকপা য়ারবনিনা। পাউ অমা শন্দোক্লবা হোৎনবদা থুখ্রে। হন্দক্কী য়াওশঙ থাবল মশক নাইবা কয়া পার্টিসিপেন্ট তৌবগী চাং য়াম্না হেনগৎলকখি। পূম্নমক শুপ্পা য়েংবদা এম এল এ ফাওবা লম্পাক্তা থোক্লক্তুনা য়েংবা নত্তনা থাবল চোঙবা য়াওখি। অদুনদি ঐখোয়গী নাটকী চৎনবী অমসু ওইরিবা থাবলসে মওং মরীল অমা তানা চোঙবা নৎত্রগা কাঙলোন কায়হন্দনা চোঙহৌনবা হৌজিক্তিগী শেম শাবা অমদি চঙলি। থাবল থিংবা ঙম্লোই, হেন্না চোঙলক্লবগী মরম য়াম্না চাউনা লৈরি। থাবলসি চোঙবদা য়াম্না কন্না অকায়বা, অমাঙবদি ওইরোইদ্রা খল্লি। হকচাং শাজেল্লোমদা য়েংলুরবসু অফবগী অফবা ঙাক্তা ওইরম্বা য়াই। মদুদগী হেন্দোক্তুনা মীমাং থোকপগী হৈনবী অমা ওইনসু অচুম্বা লম্বেলদা খন্নথোকপা য়াই। ঐখোয় মক্তসুনি কমদৌনা য়াওবা ফংলক্কদগে খন্দুনা শম্বলগী ৱা পায়রগা হন্দক্তি হন্দক্তি হায়দুনা রাউন্দ লোইবা ফাওবা ময়ামগী ফী পায়ফম ওইরগা লেপহৌবদো নুংশিরকই। অদুনা চোঙনীংলিবা পূম্বা মপূং ফানা চোঙবা ফংনবা থাবলসে শুংলেপ লেপ্তুনা চোঙহন্নবা হোৎনবদি করি কায়। হীরম অসোমদা হৌজিক লৈঙাক্কী মীৎয়েং য়াম্না চাউনা চঙবা মথৌ তাগনি। লম্বী সরক্তা খৎন-চৈনবা, থাঙনা থিন্দুনা হাৎনবা ঐখোয় মতমদা থাবলগী মতমদা য়াম্না তারকই। মদুমক্তি হৌজিক অদুক হাক্না তাদ্রে। গাড়ী এক্সিদেন্টগুম্বা নত্তনা থৌদোক ৱাথোক্কুম্বদি তাদ্রমাল্লে নীংই। মসিমক্তি হৌজিক হৌরক্লিবা নহারোলশিংদা ৱারেং অসিগী খুত্থাংদা পাউজেল পীজরি। ইশুং ইমান্নবা অমগা অমগা গ্রুপ গ্রুপ লৈনরবসু নুংশিনদবা, মলোম থম্নদনা মশক মশা খঙনরগা অমনা অমগী মতেং পাঙনদুনা লৈকায় ৱাংমা লান্নরবসু য়ুনিটি অমা লৈনবা খুন্নাইসে শেম শাগৎলু হায়নীংই। মরমদি নখোয়না ঙসিগী খুন্নাই হয়েংগীদমক অকনবা খুন্নাই ওইহনহৌগদৌরিবনিনা। নুপীমচা অমগী হাক্তক্কীদমক পুন্সি তেমশিংনবগী ৱাখল চেন্দনবা হোৎনৌ। ঐখোয়গী মতমদুদদি নুপীগী খন্বনবদা পুন্সি য়াম্না তেমশিংনরকখি। খূৎ ফাওবদা ময়াম চঙদুনা ফারগা শদন থাদুনা ককখিবগী ৱারী লৈরি। অদুনা হৌজিক্কী থাবলদা থৱায় য়াওরিবা লাইরিক লাইশু হৈরবা ঐগী খুন্নাইসিগী নহারোলশিং থাবলনা অরানবা লম্বী অমদা পুদনবা হোৎনৌ। চোঙদবদি য়াররোইদবনি। থাদোক্লবা য়াদবা নাটকী চৎনবী অমসু ওইরিবনা।

অরোইবদা থমজনীংবদি, পাক থিংবা ঙমগদবা মান্দ্রবনিনা থাবলসে য়াওশঙগীবু ওইগেরা, চৈরাউবগীবু ওইগেরা, চহী হৌবগীবু ওইগেরা, ভোট কাবগীবু ওইগেরা থাবলনা অকায়বদি ওইহন্দনবা হোৎনসি। মরকসিদা ঐনা ইদোম মীপাইবা পোক্লিবদি মমাঙদা থমজখিবা চহী ১০/১১গী নুপামচাগী চাংসিনা লৈকায় লম্পাক্তা নত্তনা খুল লান্দুনা থাবল চোঙবা চৎনরকপসিবু অফবা ওইগদ্রা, মদুসু নুমিদাং অথেংবদা। অমবু ওইরো অমবু ওইরো থাবল চোঙবগী মৈঙালদুদা মাঙ থংনা চোঙলিবী নুপীদুনগা ফজবসিদি।